**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-12-2025)**

**ইমোইনু (এল)ঃ** মহৌশাগী চৎনবী অমসুং ইরাৎ থৌরমগা লোয়ননা ইমোইনু নুমিৎ হয়েং পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা লনগী লাইরেম্বী ইমোইনু ইমাগী নুমিৎনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা চাউখৎপা, নুংঙাই য়াইফবা অমদি পুন্সি নংশাংবা ওইরসনু হায়রি। মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়-লনগী লাইরেম্বী ইমা অসিনা য়ুমথোং খুদিংদা নুংঙাই য়াইফবা, নুংশি চান্নবা লমদম অমা ওইহন্নবা থৌজাল পীবা ওইরসনু।

মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতগী পাউজেলদা হায়-লনগী লাইরেম্বী ইমোইনু ইমাগী নুমিৎনা লাকপদা লমদম অসিদা ইংনা-চিকা শান্তি ওইনা চাকহোং-ঙাহোংনা পানবা লমদম অমা ওইরসনু। য়ুমথোং খুদিংদা হরাউবা নুংঙাইবা য়াইবা পীনবীবা ওইরসনু।

এম.এল.এ. কে. রোবিন্দ্রে সিংহনা হায়-ইমোইনু ইরাৎপা নুমিৎনা লাকপদা লমদম অসিগী মীয়াম মরুওইনা মীতৈ-মৈতৈশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি। ইমোইনু ইমানা মালেম অসিবু ৱাৎত-পাদবা, অৱা-অনা লৈতবা লমদম অমা ওইহল্লসনু।

এম.এল.এ. য়ুমাম খেমচান্দনা, ইমোইনু ইমাগী নুমিৎনা লাকপদা লমদম অসি চাউখৎপা, তিজং কায়জংদবা, ৱাৎত-পাদবা লমদম অমা ওইরসনু হায়রি।

ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) অমসুং মনিপুর ইমা কংলৈপাক মীতৈ লৈবাকনা ইমোইনু ইমাগী নুমিৎনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অমরোমদা, ইমোইনু নুমিৎকা মরী লৈননা রাজ্যগী ফিসরি বিভাগনা শিনবা

ইমোনু ফিস ফেয়ার হয়েং অয়ুক্তগী ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোক্কনি। মসিগীদমক পুন্না স্তোল ১১০ হাংগনি। মেলা অসিদা সরকারনা লেপ্পা মমলদা ঙাশিং মীয়ামদা ফংহনগনি।

ঙাশিং অদুগী মনুংদা মীতৈ শরোং কিলোগ্রাম অমগী মখাদা লুম্বা ঙাশিং কিলোগ্রামদা ১,১০০, কিলোগ্রাম অমগী মথক্তা লুম্বনা লুপা লিশিং ১,২০০, কিলোগ্রাম অনিগী মথক্তা লুম্বনা লিশিং ১,৫০০, ঙাতোন কিলোগ্রামদা লুপা ৪৫০ দা ফংহনগনি। মেলা অসিদা কটলা, রৌ, মিরগল, গ্রাস কাপ, সিলভর কাপনচিংবা তোঙান তোঙানবা মখলগী ঙা কয়াসু ফংগনি।

**শ্যাম (এল)ঃ** হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-অতল বিহারি ভাজপায়না লৈখিদবগী চহি ১০০ শুরকপগী অতল সন্ত্রিতি ৱার্স চহি অমা চুপা পাঙথোকপগী মনুং চন্না অতল কবি সমেলন অমসুং অতল সমেলন ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চজিং মাইরেনখোংদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অসিদা এম.এল.এ. করাম শ্যাম, বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট-এম. নিমবস, ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি-কে. সরতকুমার সিংহনচিংবা মীওইশিং শরুক য়াখি। থৌরম অসিদা অতল বিহারি ভাজপায়না ইবা শৈরেং অমসুং মহাক্কী ফিদমনিংঙাই ওইবা পুন্সি খোঙচৎকী মতাংদা শিংথাখি।

**ভিজিট (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি ক্রিসি সিনচাইয়ি য়োজনা ৱাটরসেট দিবলপমেন্ট কমপোনেন্ট টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা ককচিং জিলাদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রাদা লৈবা ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্রনা এক্সপোজর ভিজিত অমা তৌখ্রে।

মসিদা ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্রগী মীওইশিংগা লৌমীশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা লৌউ শিংউগী অমসুং মহে মরোংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। লৌমী ৬০ হেন্না খন্ন-নৈনবা অসিদা শরুক য়াখি। লাংমৈদোং, এলাংখাংপোকপী, ৱাইখোং,

লাইমনাই, তাংজেং, শেরৌ অমসুং ৱাঙুগী লৌমীশিংগা উন্নদুনা মহৈ-মরোং হেন্না পুথোকবগী ৱাফমশিং খন্নখি।

**এন.সি.দি.সি (এল)ঃ** মণিপুরদা লৈরিবা ফার্মর প্রদ্যুসর ওর্গনাইজেসন (এফ.পি.ও) য়াওনা প্রাইমারি কোওপরেতিভ সোসাইতিশিংদা ইং ২০২৫ গী ওইনা নেসনেল কোওপরেতিব দিভলপমেন্ট কোরপোরেসন(এন.সি.দি.সি) রিজনেল এৱার্দ ফোর কোওপরেতিভ এক্সলেন্স এন্দ মেরিট য়েন্থোকপগী থৌরম ইম্ফালগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা আহ.সি.এমগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ভারত সরকারগী কোরপোরেটিব মন্ত্রালয়গী মখাদা নেসনেল কোওপরেটিব দিবলপমেন্ট কোরপোরেসননা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শেলগী মনা অমসুং সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

প্রাইমারি ক্রেটিদ সোসাইতিগী কেটেগোরিদা দা হৈক্রুজম এন্দ কামোং জি.পি. লেবেল এম.পি.সি.এস. লিমিটেদ-ইম্ফাল ৱেষ্টনা এক্সিলেন্ট এৱার্ড অমসুং থোংজ্ পার্ট টু জি.পি. এল.এম.পি.সি.এস. লিমিটেদ ইম্ফাল ইষ্টনা মেরিত এৱার্ড ফংখি। ফিসরি অমসুং বি-কিপ্পিংগী ওইনা ৱাংঙু লাইফম অৱাং লৈকাই ফিস ফার্মিং কোরপোরেটিব সোসাইতি লিমিটেদ অমসুং সনাহি বি-কিপ্পিং সোসাইতি লিমিটেদ ইম্ফাল ইষ্টনা মনা লৌখ্রে। দাইরি সেক্তরদা ইমা লংনুবী দাইরি কোরপোরেটিব সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্টনা এক্সিলেন্সকী মনা ফংখ্রে।

ৱিমেন কোওপরেটিব কেটেগোরিদা ওইনাম অৱাং লৈকাহ ৱিমেন্স দিবলপমেন্ট কোওরেটিব সোসাইতি লিমিটেদ-বিষ্ণুপুরনা এক্সিলেন্সকী মনা ফংলে।

**দিসএবল (এল)ঃ** হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংনা খুন্নাই অসিগীদমক

হোৎনরিবা কয়া অসি মীয়ামনা শৌগৎপীয়ু হায়না দিসএবল দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসন মনিপুরগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়-এসোসিয়েসন অসিগী মখাদা দিসএবলশিংগী য়াইফনবগীদমক নীংতম কৈথেল হায়না মিংথোনবা মেলা লাক্লিবা জানুৱারী অমদগী থা অমা চুপা পাঙথোক্কনি। মেলা অসিদা মীয়ামনা শরুক য়াবীদুনা দিসএবলশিংবু পুকিং থৌগৎপিয়ু।

**বিমোল (এল)ঃ** লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়রি-ত্রিপুরাগী মহৈরোই অমা উত্তরাখন্দদা লৈখিদবগী থৌদোক অদু তরাইনা লৌফম থোক্তে।

পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী বিমোলনা হায়-ভারতকী অৱাং নোংপোক লমদমগী মীওইশিংগী মথক্তা চথবা মীওৎ-মীনৈগী থৌদোকশিং অসি হকচিন্না লৌফম থোকই। লৈবাক অসিদা মীওই কয়া অমনা হৌরকফম, লোল, শকওং-শাদা খেৎনবগী মীৎয়েং থমদুনা পামদবা থৌওংসু চথবা থেংনরি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদসু শক-চু খেৎনবগী মতুং ইন্না পামদবা থৌদোক কয়া থোকখিবা লৈরে। মরম অসিনা, আইন ঙাক্লিবা অমদি লুচিংবশিংনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা অহেনবা মীৎয়েং থমহন্নিংই। সংবিধানগী আর্টিকল ১৫ দা পীরম্লিবা ৱারোল অসিমক লৈবাক অসিদা খেৎনবগী মীৎয়েং থমদুনা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোকহন্দনবনি। অমরোমদা, এম.পি. বিমোলনা স্কুল অমদি কলেজশিংদা অৱাং নোংপোক লমদমগী মতাংদা হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংগী করিকুলমদা হাপ্তুনা নীংথিনা খঙহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোংদোকখি।

অমরোমদা, য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসনা ত্রিপুরাগী এনজেল চকমা লৈখিদবা অসি কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। লুপ অসিগী চেরোল অমদা হায়-মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাংমদা মীহাৎ থিনা হাৎলম্বা অসি মীপুম

খুদিংমকা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকফম থোকই। মীহাৎ অসিগী মতাংদা অচুম্বা পুথোক্তুনা মরাল লৈবা মীওইশিং আইনগী মতুং ইন্না দন্দি পীনবা দাবীসু তৌরি।

**ইংবা (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি মরিনি অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলা খরদা লৈচিল কুংনা থারবা য়াই।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, উখ্রুল, সেনাপতি, তমেংলোং, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংগী মফম খরদা লৈচিল কুংনা থাবগী অৱাবা মায়োকরবা য়াই।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতুং হন্না ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং তরুক ফাওবদা সেনাপতি জিলানা সেলসিয়স দিগ্রী ৫.১৪ য়ৌনা ইংখি। তমেংলোং অমসুং উখ্রুল জিলাদসু সেলসিয়স দিগ্রী ৬ য়ৌনা ইংখি।

**কছার (এল)ঃ** মনিপুরি পার্ফোমিং আর্ট হায়বা হীরমদা থা অসিগী ২১ দগী হৌদুনা পাঙথোরকপা ৱার্কশোপ অসামগী কছার সোনাইদা ঙসি লোয়শিনখ্রে।

চান্দপুর অমুথোই সঙ্গিত বিদ্যালয়না শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এম.এল.এ. করিম উদ্দিন বুরবোয়া শরুক য়াখি। থৌরম অসিদা মনিপুরদগী মীওই কয়ানা পুঙ চোলোম, নাইকী ওইবা জগোই, খুবাক ঈশৈ, বশোক পাঙথোকখি। লমশিং অসিগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা চে পাথোকখি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** পোক্সো এক্ট, চাইল্ড মেরিএজ অমসুং চাইল্ড ট্রাফিক্কিংগী মরমদা নোংমগী ওইবা মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবগী থৌরম অমা ঙসি কাংপোকপী জিলাগী কোইরেং খুলগী লোঙাদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড পোটেক্সন য়ুনিট কাংপোকপীনা শিনবা থৌরম অসিদা কাংপোকপী জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসার, তেংনৌপল জিলাগী চাইল্ড ৱেলফিয়ার কমিতিগী মেম্বর সেক্রেটরি অমসুং ৱিমেন এন্দ চাইল্ড রাইটস

এক্তিভিষ্টনচিংবা মীওইশিং শরুক য়াখি। থৌরম অসি মীয়ামদা অঙাংশিংবু করি করম্বা আইননা ঙাকপী শেনবীরি অমসুং ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদা পাঙথোকখিবনি।

**সনাজাওবা (এল) ঃ** প্রোফেসর নাওরেম সনাজাওবগী ৮০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ওজা সনাজাওবা মেমোরিয়েল ত্রষ্টনা শিন্দুনা ১৪ শুবা ওজা সনাজাওবা মেমোরিয়েল লেকচর ২০২৫ ঙসি কাঞ্চিপুরদা লৈবা নেসনেল রিসর্চ সেন্তর(এন.আর.সি) হৈজিগাং কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে।

**মীলাল (এল)ঃ** মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোন অপুনবা লুপ (মীলাল) কাংলৈপাক্কী ময়াই লোইশঙদা চহি অহুম থৌ পুনবা মীওই ২১ খল্লে। ৱাইখোম গোজেন মীতৈনা লুচিংপুরেল অমসুং লাঙ্গোলজম নোংমাইলেম্বীনা ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইরগনি।

**ঈশিং (এল)ঃ** পোরোম্পাৎ ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লাননা কোনবা মফমশিংদা টোতি ঈশিং পীবগী মতমদা অহোংবা খরা লৈরগনি। পব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী ৱাটর সপ্লাইস মেন্টিনেন্স দিভিজন নম্বর টুগী হগজ্কিটিব ইঞ্জিনিয়ারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান অসিনা ঈশিং লৌরিবা ইরিল তুরেলগী ইমায় নেমথখিবদগী খোঙথাং অসি লৌখৎপনি। কাঞ্চিপুর ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লাননা কোনবা মফমশিংগী ওইনসু ঈশিং পীবগী চাং হন্থরগনি।

**মেদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসি মালেমগী পুকিং চিংশিনফম মফম অমা ওইবা ঙমলে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-মালেমগী

লৈবাকশিংনা ভারত অসিবু অচৌবা আশা থন্বা অমসুং অচেৎপা থাজবা থন্বা লৈবাক অমা ওইনা উরে। মহাকা হায়-মালেমগী লৈবাক পুমমকা ভারত অসি চাউখৎপগী লম্বীদা মাংলোমদা চংশিল্লিবা লৈবাক অমা ওইনা উরে। মসি পুমমক লৈবাক অসিগী মীয়ামগী হোৎনবা কনবা, থৌনা হন্দবা ৱাখল্লোননা ঙম্বনি। শ্রী মোদিনা হায়-২০২৫ অসি ভারতকী ওইনা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙম্বা চহি অমা ওইরে। চহি অসিদা মীয়ামনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা অহোংবা কয়া পুরকপা উরে। লৈবাক অসিনা চাউখৎপগী লম্বীরোমদসু মাংলোমদা চংশিনবা ঙমলে। ইন্সটিট্যুসনশিংদা মতমগা চুন্ননা শেমগৎলে। তুং কোইগদবা হেন্না মপাঙ্গল কনবা থৌরাং কয়াসু সরকার অসিনা পায়খৎলে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি নিতি আয়োগতা মীয়ামনা শক খঙলবা ইকোনোমিষ্ট অমসুং সেক্তোরেল এক্সপার্টশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। শ্রী মোদিনা কেন্দ্রগী বজেট ২০২৬-২৭ কী মাংওইননা মীওইশিং অসিদগী মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং অদু পীরকবা উন্নবনি।

লৈবাক অসিগী হৌজিক ওইরিবা শেল থুমগী ফিভম অমসুং তুংগী ওইরক্কদবা ফিভমশিংগীদমক মীফম অসি মরুওইনা পাঙথোকপনি। মীফম অসিদা লৈবাক অসিনা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা শেল থুমগী ফিভম, লম অসিদা হেন্না মপাঙ্গল কলহন্দুনা হেন্না ফগৎহন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা খন্নখি।

**য়ুবঃ** প্রধান মন্ত্রিগী নহা ওইরিবা অইবশিংবু হেন্না থৌনা পীনবা স্কিমগী মখাদা পায়খৎপা পি.এম. য়ুব থ্রি পোইন্ট জিরোগী চাংদমবগী ফল শিক্ষা মন্ত্রালয়না লাউথোকখ্রে।

এদিসন অসিগী মখাদা ইংগ্রাজি অমসুং ভারতকী তোঙান তোঙানবা লোল ২২ গী লাইরিক ৪৩ খনগৎখ্রে। শিক্ষা মন্ত্রালয়না হায়-খনগৎলবা লাইরিকশিং অদু মীয়ামনা শক খঙলবা স্কোলারশিংগী মখাদা থা তরুক্কী মনুংদা লাইরিক ওইনা

শেমগৎকনি। খনগৎলবা অইবশিংনা থা খুদিংগী লুপা লিশিং ৫০ গী স্কোলারসিপসু ফংগনি। মখোয় মখোয়গী লাইরিকশিং অদুনা ফোংখ্রবা মতুংদা পুন্সি চুপ্পগী ওইনা চাদা ১০ গী চাংদা কান্নবসু পীগনি। পি.এম. য়ুব থ্রি পোইন্ট জিরোগী মখাদা অহানবা সেটকী লাইরিকশিং মথং চহিদা ফোংগনি। থৌরাং অসি নহা ওইরিবা অইবশিংবু পুকিং থৌগৎপা ওইনা পায়খৎপনি।

**উত্তরাখন্দঃ** উত্তরাখন্দগী ধেরাদুনদা ত্রিপুরাদগী মহৈরোইগী মীশিগী মতাংদা এস.এস.পি. ধেরাদুন-অজয় সিংহনা হায়রি-অহানবগী ওইনা থিজিনবদা মীশি অসি রেসিয়েল এট্টেক নত্তে।

উত্তরাকন্দ পুলিসনা এফ.আই.আর. পান্দে হায়বগী মরাল শিরক্লিবা অদু য়ুস্ফম য়াওদে। থোদোক অদু থোকখ্রবা মতুং পুং ২৪ গী মতুংদা ৱাকৎ থাংগৎলকপনা এফ.আই.আর. রেজিস্তার তৌখিদবনি। মীশি অসিগা মরী লৈননা নেপালি মচা অমা, মনিপুরদগী অমা য়াওনা মীওই মঙা ফারে।

১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ গী ঙসি থৌবালগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা নাপসা খা ইস্ফালনা থাউ-থাংমৈব দবু রন-৫৬ তা থোইখ্রে।

ঙসি ইস্ফালগী মোর্দেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা পি.টি.সি.সি. পাৎশোই পার্ট থ্রিনা ফোরস ক্ষেত্রিগাউবু রন-১০১ দা থোইখি। অদুগা থৌবাল জিলাগী খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুর পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা ব্ল হোগ-খুরাই লমলোংনা অল-অমিন লিলোংবু রন-১০১ দা থোইখি।

অমরোমদা, ঙসি লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নগদবা মেটচ অমদা টিম অমা লাক্তবদগী আই.বি.এস.এ. য়ুমাম লৈকাইনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** কেরলাগী তিরুবন্তপুরগী গ্রীন ফিল্ড ইন্টরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা চথরিবা নুপীগী ক্রিকেটকী মঙাশুবা অমসুং টি-টোইন্তি ইন্টরনেসনেল ফাইনেলদা ভারত অমসুং শ্রীলঙ্কা শান্নরি।

**হোকিঃ** রাঞ্চিগী মরাং গোমকে জয়পাল সিংহ মুন্দা এস্ত্রো তর্ব ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৱিমেন্স হেরো হোকি ইন্দিয়া লিগ-২০২৫-২৬ কী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা মেটচতা-স্রাচি বেঙ্গোল টাইগরসনা জে.এস.ডব্লিয়ু. সুরমা হোকি ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**চেসঃ** কতারগী দোহাদা চথরিবা এফ.আই.দি.ঈ ৱার্ল্ড ব্লিচ চেস চেম্পিয়নশিপ ২০২৫ গী অহানবা নুমিত্তা ভারতকী শান্নরোই অর্জ়ন ইরিগাইসিনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান মেগস কালসেনবু মাইথিবা পীখ্রে। চেম্পিয়নশিপ অসিগী রাউন ১৩ শান্নখ্রবা মতুংদা অর্জ়ননা ওপন সেক্সনদা মেক্সিম অমসুং ফাবিয়ানোগা পুন্না অহানবা পোজিসনদা লৈরি।